HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



নম্বোল কোংখামপাৎতা লৈবা এস কে ৱিমেন্স কোলেজদা এইমসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবা থৌরমদা শরুক য়ারখিবী নিঙোলশিংদা মহৈরোয় লূপ অসিগী মায়কৈদগী খুদোলপোৎ তম্বা


লৌশিং পূক্কে : ঐখোয় মীওইবদা ঈশিংনা মতৌ করম্না... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ পুলিস লৈতবা, জেল লৈতবা লমদম!
লানসিগী মনুংদা লান কয়া য়াওরি? ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ 'লৈঙাক্কা স্কুল হাংবগী ওর্দর থোক্লগা পুং খরগী...
অজিৎ পৱারনা মহারাষ্ট্রগী সী এম গী ফমগীদমক... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ ৱিমেন্স অন্দর-১৫ ৱান দে ট্রোফিদা মণিপুরনা ...


নম্বোল পি এসনা কোনবা লৈত্রাম চঙফমগী লৌকোন্দা শিনা ফংখিবা তোঙ্গোলোই দেবদত্ত মীশিগী অশেংবা লংলা লংজিন পুথোকউ হায়দুনা ৱাইখোং কৈথেলদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবা




Vol. 48, Issue No. 233 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈ ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, November 26, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম

## হৌগৎলকপগা এদজোর্ন তৌদুনা খাঙতপ্তা লোইশিনখ্রে সী পি আই, এ এ পিনা মণিপুরগী মতাংদা খন্নবা নোটিশ পীশিনখ্রে

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :**
হান্না লেপখিবগী মতুংইন্না ঙসি অয়ূক রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী মীফম সভা অনীমক্কী প্রিসাইদিং ওফিসরশিংনা প্রিসাইদ তৌদুনা মহৌশাগুম ফম্বা হৌরকপগা ইকান কান্নদনা ওপোজিসন মেম্বরশিংগী মনুংদগী মরু ওইনা কোংগ্রেসকী এম পিশিংনা অদানি গ্রুপ্না ষ্টেট মরিদা সোলর ইনর্জি সপ্লাই তৌবগা মরী লৈননা য়াল্লবা শেনফম পীদুনা শেঞ্জা-থুমজা তৌখি হায়বা ৱাথোক অমসুং মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা লেপ্তনা থোরক্লিবা ভাইওলেন্সকী মতাংদা খন্নবা ৱাফমশিং হৌদোক্লরকপদগী সভা অনীমক্কী বিজিনেসশিং অমত্তা পায়খৎপা নংদনা খাঙতপ্তা এদজোর্ন তৌদুনা লোইশিনখ্রে।



সভা অনীমক্কী মেম্বরশিং সভাদা চঙলকপগা লোয়ননা সভা অনীমক্কী প্রিসাইদিং ওফিসরশিংনা ঙসি অহৌবা নীংথম মীফম নুমিৎকী বিজিনেসশিং পায়খৎপা হৌনবা থৌরাং তৌরকপদা হাউস অনীমক্তা ওপোজিশনগী মায়কৈদগী অদানি গ্রুপকী মতাংদা থোরক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা খুদক্তা হাউস অনীমক্না খন্নবা তকশিল্লকখি। ওপোজিশন মেম্বরশিং মরু ওইনা কোংগ্রেসকী এম পিশিংনা ৱাফম অসি তকশিল্লকপদগী চরাংনবা থোরকখি। ফীভম অসিদা রাজ্য সভাগী প্রিসাইদিং ওফিসর জগদিপ ধনকর অমসুং লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা হাউস অনীমক্তা লৈখিদ্রবা হাউসকী মেম্বরশিং ওইরম্বা মেম্বরশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎলবা মতুংদা হাউস অনীমক পুং ১/১গী ওইনা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবা এদজোর্ন তৌখি।

সভানা অৱাবা ফোঙদোকখিবা লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মনুংদা হন্দক্তা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভাগী মীখলদা মায় পাক্লুনা কারকখ্রবা মতুংদা লৈখিদ্রবা এম পি অনীগীসু য়াওখি।

প্রিসাইদিং ওফিসর ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরগী লান : আই এন দি আই এ ব্লোককী মীফম পাঙথোকখ্রে নীংথম মীফম মনুংদা দেল্লীদা প্রোটেষ্ট তৌরুনবা ৱারেপ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** থা ১৯ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী মণিপুরদা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লান অসি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না খামদুনা লোইশিন্নবা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌথোরক্তবদগী মখা তানা চথরকপদা হন্দক্তসু থা অসিগী ১১দা জি রিবামদগী থা ৮ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং য়াওনা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা নোংমৈ অমদি থাঙনচিংবা শীজিন্নদুনা তমথীনা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকখিববু হকচিন্না লৌরদুনা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা মণিপুরগী ওপোজিশন পোলিটিকেল পার্টি ৯গী আই এন দি আই এ ব্লোকনা ঙসিদগী হৌখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম চথরিঙৈগী মনুংদা দেল্লীদা চৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌরুনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱারেপ অসি ঙসি অয়ূক পুং ৯ তারকপদগী ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী মীফম্না কূপ্না খন্নরবা মতুংদা য়ানদুনা লৌখিবনি।

### মীফমদা শরুক য়াখিবা মরু ওইবা মীওইশিং

**কোংগ্রেস** -ওক্রম ইবোবী, গাইখাঙম, কে রঞ্জিৎ, টি ঐচ লোকেশ্বর, এন লোকেন, এম ওকেন্দ্রো, এ কে মিরাবাই, কে ঐচ দেবব্রত, ভিক্টর কৈসিং, তিলোতমা, **সী পি আই (এম)**-কে এস ঐচ শান্ত অমসুং সরত সলাম, **সী পি আই**-এল সোতিন, **এ আই এফ বি** - জ্ঞানেশ্বর, **এ এ পি**- জুগিন্দ্রো অমসুং বিশ্বানাথ, **আর এস পি**- মনোরঞ্জন, **এ আই টি সী**- টি ঐচ ইনাওচা, **এন সী পি (এস পি)** - ৱাই গোপিমোহোন অমসুং **শিব সেনা (য়ু টি বি)** গীনা টি দেবানন্দ অমসুং এল শ্যামনচিংবনি।

ঙসিগী মীফমদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং সী এল পি লিদর ও ইবোবী, হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মেম্বর গাইখাঙম, কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী দেপ্যুটি লিদর কে রঞ্জিৎ, হান্নগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বর, পার্টিগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এন লোকেন, এম ওকেন্দ্রো, পার্টিগী মশক নাইবা নুপী লুচিংবীশিং ওইরিবী এ কে মিরাবাই, তিলোতমা, পার্টিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ভিক্টর কৈসিং অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ দেবব্রতনচিংবনা শরুক য়াখি।

অদুগা ব্লোক অসিদা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগী শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা সী পি আই (এম) গী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্ত অমসুং পার্টি অসিগী লুচিংবা সরত সলাম, ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক (এ আই এফ বি) গী জ্ঞানেশ্বর, আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গী জুগিন্দ্রো অমসুং বিশ্বানাথ, রেভল্যুস্নরি সোসলিষ্ট পার্টি (আর এস পি) গী মনোরঞ্জন, ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেস (এ আই টি সী) গী টি ঐচ ইনাওচা, নেশনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি- এস পি) গী ৱাই গোপিমোহোন, শিব সেনা (য়ু টি বি) গী টি দেবানন্দ অমসুং এল শ্যামনচিংবনা শরুক য়াখি।

নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারমদাই ফাওবদা পুং ৩ চূপ্পা পাঙথোকখিবা মীফম অসিনা মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং অসিগী মনুংদা হন্দক্তা পীল্লিবা অঙাং অমসুং চহী য়াল্লবা নুপী য়াওনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### ইন্সপেক্টর ইবোতোম্বীগী রেজিগনেশন অয়াবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):**
জিরিবাম পি এসতা ওফিসর ইন চার্জ ওইনা থবকপুরকখিবা থা ৬ লোম খক্তা ঙাইরিবা ইন্সপেক্টর শগাকপম ইবোতোম্বীবু খঙহৌদনা ত্রান্সফর তৌরকপদগী মহাক মশানা থা অসিগী ১৫দা সর্ভিসতগী পোত্থাজরগে হায়দুনা পীশিনখিবা রেজিগনেশন লেটর অদু দি জি পিনা অয়াবা পীখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ঙসি নুমিৎয়ুংবা ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):**
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ঙসি থোকপা অমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হয়েং অয়ূক পুং ৫দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্লেহায়রি।

## ব্লেক লো: অফস্পা থমজিল্লকপগী মায়োক্তা মীয়াম হৌরক্তুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী লৈঙাক অনীনা থেঙ্খাং নাইনা পুলিস ষ্টেশন ১৯না কোনবা মফমশিংদা চৎনহল্লম্বা দিষ্টর্বদ এরিয়া ষ্টেটস লৌথোক্লুনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট, ১৯৫৮ ষ্টেশন তরুক্তা নৌহৌননা এক্ত অসিবু চৎনহল্লকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুনা য়াল্লবা মীয়াম হৌরক্লুনা পেন্দবা ফোঙদোকপা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে।

ৱাকৎ খোঙচৎ অসি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস




চৎনহনখিদ্রবা মতুং হন্দক্তা হোম মিনিষ্ট্রিনা পুলিস ওর্গনাইজেশন (অমুকো), ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সিক্যুরিটিনা ঙাকপদগী লৌ য়ৈবা খাওবদা লৌমী শিবগী থৌদোক থোক্ত্রি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা ৱাথলম্বেলগী মিঞ্জং হায়না খঙনবা মফমদা লৈবা লৌবুক্তা লৌ শূবা য়াওখিবী সাপম সোফিয়া কৌবী মৌনহা অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অমসুং চীংখোঙ চীংয়াগা তাইননা লৈবা লৌবুকশিংদা থবক শূবা লৌমীশিংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা



নোংমৈ কাপশিন্দুনা কিহন-খংহনবগী থৌদোকশিং থোরকপদগী ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা চেকশিন্না ঙাকপা হৌরকপদগী লৌবুক্তা লৌ য়ৈবা অমসুং খাওবদা লৌমী শিবগী থৌদোক মখা তানা থোক্ত্রি।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তোঙান ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## হোম মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরদা শীজিন্নরিবা টেলিফোন খুদিংমক্কী কোল রেকোর্দশিং চহী ৫ থম্নবা দিরেক্সন পীখ্রে

### ইন্টরনেটকী অথিংবা শাংদোকহনখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (হোম) না ঙসি থোরকপা ওর্দর অমদা ষ্টেট লৈঙাক্না ...মখা লমায় ৩ কলম ১




**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দবদগী মীশি-মীনা কয়া মায়োক্লরিবা মণিপুরগী মীয়াম্না শীজিন্নরিবা টেলিফোনশিংগী রেকোর্দ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মীয়াম্না পোলিটিকেল পার্টি অমা কন্নবা হোৎনরি : সোমোরেন্দ্রো থোকচোম



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঐখোয়গী মীয়াম মরক্তা তিন্নবা য়াদবগী চৎনবী অমা লৈরক্লি হায়রদুনা এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না পোলিটিকেল পার্টি অমা কন্নবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক্কী মীয়াম থোকপীরক্লো, মণিপুর কল্লসি হায়না এইমসকী এদভাইজরসু ওইরিবা কোকোমিগী কনভিনর সোমোরেন্দ্রো থোকচোমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অপূনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোয় শিনপাং লূপ (এইমস) না শীন্দুনা নম্বোলগী কোংখাম্পাৎতা লৈবা এস কুলা ৱিমেন্স কোলেজদা পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক কনসি হায়রগা এম এল এশিংগী য়ূম থুগাইগনি হায়না থোরক্লি অমসুং এম এল এ কন্নবা হোৎনবসু য়াওরি। এম এল এশিংদি ফম কন্নবা হোৎনরি অমসুং শেলগী খল্লি। মরম অসিনা পোলিটিকেল পার্টি অমগী থৌমীশিং অমসুং




বুঠ লেভেলদগী হৌরগা থোকপীরক্লো। কোংগ্রেসকীসু থোরক্লো, পূন্না ঐখোয় মণিপুর কন্নবা হোৎনমিন্নসি। ফীভম অসিদা মীয়াম তোখাই তোখাই তাদুনা চৎনরি। এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদগী মীয়াম থোরক্লো অদুগা লৈঙাক লুচিংলিবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী এম এল এশিং সেন্টরদা থারসি হায়খি।

থবক অসি তৌগদবদা নাথৈরগা মাগী-মাগী এম এল এশিং কন্নবা হোৎনরি। অদুগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## 'ইবুং-ইপ্পা অমসুং মীয়াম্না ৱারগা ঐখোয়না নুংঙাইথোক্তুনা লৈনীংদে'

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :**
হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসি অদুক্কী মতিক নুংঙাইতে হায়রদুনা অঙাং য়াওনা মীচম তরুক হাৎখিবদুগী পাউ তাবদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতে। নিঙোল চাক্কৌবা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইবা অমসুং নুংশিনবগী কুম্মৈনি। মসিগী মথংদদি খৃষ্টমাসকী কুম্মৈ অমুক লাক্লগনি। অদুবু ইবুং-ইপ্পাশিং য়াওনা মণিপুরগী মীয়াম্না ৱারগা ঐখোয়না করম্না খৃষ্টমাসতা নুংঙাইথোক্লুনা লৈবা ঙমগনি হায়না লাঙ্গোমপোকপীদগী মেরিনা গোলমৈনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি এইমসনা শীন্দুনা নম্বোলগী কোংখাম্পাৎতা লৈবা এস কুলা ৱিমেন্স কোলেজদা পাঙথোকখিবা চীংমী-তম্মী ফূরুপকী নিঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরমদা



শরুক য়াবা লাকখিবী মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীদুনা লৈঙাক্না ঈং-তপ্পা পুরকপীয়ু। হান্না লৈরম্বা মীতৈ-নাগা-কুকি-কবুই হায়বা লৈতনা নুংশি চান্নরা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কর্ফিয়ুগী অথিংবনা মীয়াম্বু খম থেংনা ৱাহল্লে, মীয়াম মৈ হৌনা শাওরে

লাইবি খুমন

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :**
মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দ্রিবা লান অসিগী মনুংদা হন্দক থা অসিগী ১১গী নুংথিলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী জকুরাধোর লম্লোং কৈথেলদা লৈবা মীতৈগী দুকান অমসুং



য়ুমশিং মৈ থাবদা নত্তনা বোরোবেক্রা পি এসকী কেম্পসতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবা অঙাং অহুম, নুপী অহুম পূন্না মীওই ৬ ফাদুনা পুখ্রগা তমথীবা মওংদা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌরকখিবা মীয়াম লাকশিন্নবনি হায়দুনা জিরিবাম য়াওনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা অহানবদা টোটেল কর্ফিয়ু থল্লম্বদগী হৌজিক অয়ূক পুং ৫দগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### প্রিপাককী চ্যেরমেন ঙমদাইরেল খুমন লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ :**
কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ), মণিপুরগী সেন্ত্রেল কম্মিটিনা থোরকপা চেরোল অমদা প্রিপাককী চ্যেরমেন ঙমদাইরেল খুমননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ১৯ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী চ্যেরমেনগী থৌদাং পুবিরম্বা হৈক্রুজম ঙমদাইরেল খুমন এলিয়জ ইবোতোম্বী, মীয়াম্না নুংশিনা ওজা মচা হায়নসু খঙনবা হাওবম মরক্তা লৈবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## বি পি ষ্ট্রোক তৌবদগী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইপুরোইবগী খনবদা য়াম্না ৱারে, ইপুরোইবগা পূন্না শিমিন্নখ্রসিরা হায়না খনবা ফাওবা য়াওরক্লে : দেবেশ্বরি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**
কাংচুপ চীংখোঙদগী লাঞ্জেল্লক্লগা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা বি পি ষ্ট্রোক তৌবদগী মশা শোল্লবা মপুরোইবগা লোয়ননা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবী কৈথেল্লাকপম দেবেশ্বরি (৫৫) না পাউ চে অসিদা মখা তানা হায়, হৌজিক্তি রিলিফ কেম্পতা লৈরবনিনা লৈফমদি ফংলে, চানবসু লৈঙাক্না হাওবা-হাওতবা চরা ফাওবদি হেলহন্দ্রে হায়ববু নারক-য়েক্লক্কনু হায়বদি য়াদবনিনা অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদদি অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবনা পীক থল্লি। হৌজিক ইপুরোইবসু নুমিৎ খুদিংগী হোস্পিটালদা পুখৎলি। ইশাগী গাড়ী লৈজদবনিনা ওটোরিক্সো ৱাইরগা চৎপনি। অৱাইমলসু অমুক চৎপদা লুপা লিশীংদগী তাদে। মসি ঙম্নবা হোৎনবদা খম থেংনা অৱাবা হায়বদু ওইরে। তশেংনা ঐখোয় শিগদবা ওইরবদি ইশাগী য়ূমদদি শিনীংই। দেল্লীদা থবক মচা অমা তৌরিবা ইচানুপানা শেল খরদি থারকই হায়ববু মহাকসু শেল য়াম্না থোকপসু নত্তবনিনা শেলগী মথৌ তারিবশিং কোন্নবা থারকপদি ঙমদে।

রিলিফ কেম্পসিদা নুংতিগী হৱাই চাবনিনা অনাবগীদি চম্ফুৎ চাদবা য়াদবদগী মসিবু পীজনবসু হোৎনরি। পূম্নমক অসি হোৎনবদা ইথন্তা তূমিন-তূমিন কপ্পা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা অমুক লৈত্রে। নুমিদাংদসু তূম্বা য়াদ্রে। পূক্নিং ৱাখলসিসু অনাবা লোয়নবদৌনা তৌরক্লে। ইপুরোইবসু হৌজিক মশা তঙ্খায় অমা পঙথরগা লৈরকপনিনা ব্রেনগী ফঙ্কসন ঙমশিল্লক্ত্রে। মশাদগী চৎফম থোকপা ঈশিং নোর্মেল ওইনা চৎপা ঙমদবদগী পাইপ হাপ্তুনা শীজিন্নরি। য়ূমদা ওইরবদি অফং-অফংবা থবক শূরগা, মনা-মশিং থারগা মতেং খজিক্তং ওইনবা হোৎনবসু য়াবনি। লৈমিন্নরিবা কৈরোই লৈকায়দগী অরৈ-লৈত হংনবসু য়াই অদুবু রিলিফ কেম্প অসিদদি অদুগুম্বা খুদোংচাবশিং অমত্তা লৈতে। তশেংনমক ঐহাক হৌজিক হিংনীংদ্রে। কনাগুম্বনা হাৎতোকপীরগে হায়নগা লাক্লবদি য়াম্না হরাওগনি হায়না ফাওবা ইথন্তা খল্লক্লে।

হৌজিক ঐহাক্না অনাবা ইপুরোইববু লায়েংলক্লি বসিসু শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতাশিংদা টেলিফোন তৌদুনা মখোয়দগী শেল খরা খরা লৌরগা য়েংলকপনি। মখোয়দগীসু য়াম্না তোয়না শেল লৌমন্দনা হৌজিক্তি ইকায়বা পোক্লক্লে। ফোন তৌরুবদা মখোয়না পায়রক্তবা য়াওরকপা মতমদা পূক্নিং-ৱাখল অদুক্কী মতিক শোন্থরে। পূম্নমক অসি খঞ্জিল্লুবদা ৱাখলগী লায়না পোক্লকপগুম তৌরে। হীদাক চারগে তৌবা ফাওবা কাউশিল্লক্লে। হৌজিক থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা হায়বদু ওইরে। ডাক্তরনদি ৱাখল য়াম্না খঞ্জিনগনু হায়না পাউতাক পীরকখি অদুবু মায়োক্লরিবা ময়াম অসি উবদা খঞ্জিন্দবা ঙমদ্রে। মণিপুর লৈঙাক্না ঐখোয়বু ইশাগী লায়র-খাঙপোকশঙ অদুদা হঞ্জিলহনবীরো, ঐখোয় য়াম্না ৱারে হায়না মথম্মোয় শোক্না মমিৎতগী মপি তারদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লকখি।

## বফর জোন লানশিনখিবা মীওই ১গী মরী-মখোঙ খঙবা ঙমদ্রি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদা লোইতাংখুনৌদগী মশাগী চহী ৫০ রোম শুরবা লাইশ্রম কমন অপোকপা লৈখিদ্রবা এল কুমাধন কৌবা মীওই অমা লৈমখোংগী বফর জোন লান্দুনা গাড়ী মচা অমা তোংলগা চঙশিনখিবদগী মরী-মখোঙ খঙবা ঙমখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী মহাক্কী খোঙ্গুল লীবগী থবক চথখি অদুবু ঙসি নুমিদাং পুং ১১.২০ তারকপা ফাওবদা মহাক্কী লংলা-লংজিন খঙবা ঙমদ্রি।

অদুম ওইনমক সী সী টিভি ফুটেজগী মতুংইন্না মহাক লৈমখোংগী বফর জোন লান্না চঙশিনখি হায়বা ফাওবদি কনফার্ম তৌরে হায়রি।

## মৈরা শঙদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেশনগী জুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা শীংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পন্দিট লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংগী শঙদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপশিল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসি করম্বা মীওইশিংনা করিগীদমক্তা থোকহল্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা অশোক অপন য়াওখিদে।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫